ককৱাদা ফিরেপ লৌমিন্নবা নুমিৎ পাঙথোক্তুনা ৱারেপ অহুম লৌখ্রে

ফূরুপশিংনা মণিপুর কন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নগদবনি : মেঘেন

MAY 3
PHIREP LOUMINNABA NUMIT
On Friday, the 3rd May, 2024
Organised by :
Langthabal Kendra Clubs' Co-ordinating Committee
&
Langthabal Kendra Meira Paibi Co-ordinating Committee
At
Kakwa Community Hall, Kakwa Mapal

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) : মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা লান্দারকখিবদগী থোরক্লিবা হাৎন-শুনবগী ৱাথোক চহী অমা মপূং ফারকপগা লোয়ননা মণিপুর মীয়ামগী তুংগী ফিরেপ অমা লৌনবগীদমক লংথবাল কেন্দ্র ক্লবস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (এল কে সী সী সী) অমদি লংথবাল কেন্দ্র মৈরা পায়বী কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (এল কে এম পি সী সী) না পূন্না শীন্দুনা ঙসি নুংথিল ককৱা পৃথ্রি অচৌবা মপালদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদা ফিরেপ লৌমিন্নবা নুমিৎ পাঙথোক্তুনা ৱারেপ অহুম লৌখ্রে।

ঙসিগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপশিংদি মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ খুদিংমক নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা অমসুং ইরৈবাক ইরমদম অসিবু ঙাক শেন্নবগী থৌদাং খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ পূম্নমক্না লৌমিন্নবা, ঙসি ঙসিমক চথুরিবা লান অসি মরম চুম্না য়েংলগা ৱাখৈবীনবা লৈঙাক্তা তকশিনবগা লোয়ননা ম্যান্মার য়াওনা মপান লৈবাক্তগী চঙশিল্লক্লিবা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং অমসুং নার্কো টেররিষ্টশিং নীংথিনা মশক খঙদোক্লগা মখোয়বু অথুবা মতমদা মরমদমদা হলহনখিনবা লৈঙাক্তা তকশিনবা অমসুং অহুমশুবা ৱারেপ্তা য়েলহৌমী মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী মখাদা এস টি লিষ্টতা চলহন্দুনা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ ফংহন্নবা লৈঙাক্তা তকশিনবনি হায়রি।

মীফম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা ললহৌলূপ অমগী হান্নগী চেয়রমেন আর কে সনায়াইমা এলিয়জ মেঘেননা হায়, মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা মীতৈদা লান্দারক্লিবা অসি তশেংবদি লান্দাহল্লকপনি। লান অসি মীতৈ ফূরুপ খক্তগী মথক্তা নত্তে। চহী লিশীং কয়া চঙনা শেমগৎলকপা মণিপুরবু থুগাইনবা লান অসি ষ্টেট অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ কয়াগী মথক্তসু চথুরকপনি। কুমজা ১৮১৯দগী ১৮২৬ ফাওবা চহী ৭ খুন্তাকপা মতমদা মীতৈ মশীং কা হেন্না হন্থখিদুনা মুৎকে তৌরুরবসু মূৎহনবা ঙমখিদ্রবনি। পুৱারীগী তাঙ্কক অসিদগী ফংলিবা পাড়াদি ফনা য়াম্না মপাঙ্গল কনবা ফূরুপ ওইসনু, মশক থোক্লা মণিপুর শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবা মীতৈ ফূরুপ্পা ৱাখল অমদি মীৎয়েং চপ মান্নবা ফিরেপ লৌমিন্নরবা মতমদা কনামত্তনা মায়থীবা পীবা ঙম্লোই হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হন্দক্কী কুকিগা মীতৈগা হাৎনরকপসিদা ফূরুপ অনীসিদগী হেন্দোরক্তুনা মীতৈগা নাগাগা নৎত্রগা মীতৈ মশেল মরক্তা অমুক উংখৎনহন্নবা শিনবা য়াওরি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি ইন্দিয়ানা মণিপুর লৌশিনখিবা মতমদগী ওইরকপা ফীভমশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা শীংনরকপনি হায়বসি ঐখোয়না খঙগদবনি। মীতৈ অসি ফূরুপ অমা ওইনা শোন্থরুরে অদুবু হৌজিক্তি মশক থোক্লা হিংবা ঙম্নবগী হোৎনরকপা উরি। মালেমগী হোংলক্লিবা ঈচেল মতুংইন্না মণিপুরসু হোংলক্কনি। মসিদা ঐখোয়না করম্না য়াওরগা ঐখোয়গী তুংগী লাইবক লেপকদগে হায়বদু মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা ময়াম পূন্না লেপমিন্নগদবা ফিরেপনি। মণিপুরদা খুন্দা লৈতামিন্নরিবা ফূরুপশিংনা ষ্টেট অসি কন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নবা মথৌ তারে হায়খি।

মীফম অসিদা ইকায়খুম্নরবা মীথুংলেন ওইখিবা পাউচে অসিগী এদিটর মাইবম ধনবির মীতৈনা হায়, মমাঙ চহী মে ৩দগী কুকিশিংনা মীতৈদা লান্দাবা হৌবা নুমিৎ মক্তদা মীওই অনী মফম খঙখিদবদগী হৌজিক ফাওবা খোঙ্গুল লীবা ঙমখিদবগা লোয়ননা মীওই ৩ লৈখিদবনা মরম ওইরগা ঙসিগী থৌরম অসি লৈখিদ্রবশিং অসিগী চহীগী ফিরোইগুম্বনি। মরম অসিনা লাক্কদবা চহীশিংদা ঙসিগুম্না ফিরোই শোনবগী মওংদা তৌরিবসি মখা চথদনবা লমদমসিগী মীয়াম্না অচেৎপা ফিরেপ লৌবা তঙাইফদ্রে। চহী ৩,৪০০ হেনবগী পুৱারী লৈরিবা লমদম অসি মমাঙদা থেঙ্খাং কয়াদা অৱাবা নংখ্রে। কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মর্জর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনদুনা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবদগী ঐখোয় লৈবাক অসিগী ফিবান্নুংদা য়াওদুনা ইন্দিয়াগী সিটিজেন ওইরে। অদুবু ঐখোয়না চহী অমা চূপ্পা থেংনরিবা লান অসি ঐখোয়না মায়োক্নফম থোকপ্রা হংলদুনা ঐখোয়গীনি হায়বদা কনাসু লৈত্রবরা অমসুং মপী মপা লৈত্রবা য়ূমগুম্না কাংখোং চাইবগুম ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়াগী করম্বা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরিদা চহী অমা চূপ্পা খান্বীনবা নৎত্রগা ৱারোইশিন পুরক্নবা লৈতনা লান শোক্নবা য়াওখ্রবগে হংখি।

মীয়াম্না থাগৎখিবা মীহুৎশিং, মপী মপা ওইবশিংনা থৌদাং লৌরক্তবা অমদি মীয়ামগী অৱাবা উদবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিংনসু মণিপুরগী মীয়াম্বু থৌশাদ্রে হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অহোংশাংবম মোবিনা হায়, হৌজিক য়াম্না মরু ওইরিবসি হাৎনা শুনবগী থৌদোকশিং অসি মতৌ করম্না লেপহনগনি হায়বসিনি। ঈরাং অসি থোকহন্নবা লৌতুনবা অমা য়াওরব্রা হায়বদু মুন্না খঙমিন্নবা চঙই। তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা মাগী মাগী অপান্বদা থবক তৌবগী মহুত্তা পূনশিন্নদুনা অমত্তা ওইনা মীয়াম পূন্না লাউমিন্নদুনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা লৈঙাক্তা তকশিনগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা সোসল এক্টিভিষ্ট আর কে নোংদ্রেনখোম্বনা হায়, কাঙলূপ খুদিংমক নুংশি চান্নবা হিংমিন্নগদবনি খনবা মীতৈ ফুরপ্তা লান্দারকপা হায়বসি মরম চাদবা লাননি। হৌজিক হাৎনা শুনরিবা মীতৈ অমদি কুকি ফূরুপ অনী হকথেংননা ৱারী শাবদি য়ারোই। ৱারীশানবগীদক ময়ায়দা লেপ্পীবা অমা চংই। ময়ায়দা লেপকদবসি কুকি ফূরুপনা ষ্টেট লৈঙাক অসিবুসু মীতৈগী লৈঙাক্কি হায়না লান্না শন্দোক্লবনিনা ইন্দিয়া লৈঙাক নৎত্রগা অতোপ্পা ফূরুপকী মীওইশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অসিগী মাঙওইননা কম্মিটি অনীনা পূন্না শিনমিন্নদুনা মীওই কয়ানা মশা মশাগী ঈ পীখি।

কার থিনবীরকউ হায়দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস) : চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ১২দা থৌবাল ময়ায় লৈরক্তা লৈবা অকোইজম রাধেশ্যাম অপোকপা এ কে নিলা কৌবা মীওই অমদগী শকখঙদবশিংনা নমদুনা লৌবীখিবা অঙৌবা মচুগী কার (ভর্না) এম এন-০১/এস-১৭৩১ (২০১৩ মোদেল) অদু মপূদা শিন্নবীয়ু হায়না ঙসি থৌবাল ময়ায় লৈরক মথক্কী মৈরা পায়বীশিংনা থৌবাল কৈথেল সেকপী খোংনাংখোঙ ৱিমেন দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী শঙলেন্দা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি এ কে বিনানা হায়, নমদুনা কার লৌবীখিবগী থৌদোক অসি ফেব্রুৱারী ১২দা এ কে রাধেশ্যামনা মচানুপাগা খুম্বোং কৈথেলদা থবক অমগী চৎলিঙৈদা কৈথেল অসিমক্কী মশানা মশাবু নোংদ্রেনখোম্বগী কাঙবুনি হায়জবা খূৎলায় পায়বা শকখঙদবা মীওই খরনা থবক অমগী তঙাইফন্দবনি হায়দুনা নমদুনা লৌবীখিবনি। মখোয়না থিনবীরক্কনি হায়বীরম্বা মতম হেন্দোকখিবা অমদি মখোয়গা পাউ ফাওনবা ঙল্লক্তবা অমসুং মতম য়াম্না কুইশিল্লকপনা কারগী মপূ ওইরিবা রাধেশ্যামদা ৱাখলগী নুংঙাইতবা কয়া ফাওহনবীরে। ইমুংগী নুংঙাইতবা কয়া অসি য়েংবীরগা কার অসিবু লৌবীখিবা ইচা ইনাওশিংনা রাধেশ্যামদা নৎত্রগা মৈরা পায়বীশিংগী খূৎতা অথুবা মতমদা শিন্নবীয়ু হায়খি।

থোকখিবা ফত্তবা থৌদোক পূম্নমক বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা থোকহনবনি : আই এন দি আই এ ব্লোক

ইম্ফাল, মে ০৩ (ঐচএনএস): মে ৩, ২০২৩দগী হৌরদুনা কুকিশিংনা মীতৈদা অতম্না লান্দারকপদগী থোরক্লিবা হাৎনা শুনবগী ৱাথোকশিং ঙসি চহী অমা মপূং ফাবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী অমগী মতমসিদা মণিপুরদা থোকখ্রিবা ফত্তবা থৌদোক পূম্নমক বি জে পিগী লুচিংবা লৈঙাক্লা থোকহনবনি হায়না আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী মায়কৈদগী মরাল শীরক্লি।

ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ব্লোক অসিগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ূম শান্তনা হায়, মণিপুরগী মীয়াম চহী অমা চূপ্পা অৱাবা খাঙলক্লে। পাঙথোল্লিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদসু মণিপুরগী ৱাথোক ইন্দিয়া পূম্বদা খ্বাইদগী চাউবা ইস্যু ওইদুনা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাকসু খাঙবা ৱাবা ফীভম অমা মায়োক্নরি। মণিপুরগী মীয়াম্না চহী অমা চূপ্পা ৱারক্লিবসি য়াম্না শাথীবা ফেসিস ওইবা নরেন্দ্র মোদি অমসুং এন বিরেনগী লৈঙাক মখাদনি। মখোয়না নুংশি চান্নবা করম্না পুরক্কনি, শেন্মীৎলোন করম্না চাওখৎহনগনি হায়বগী পোলিসি হৈতবনা য়েংথিনবা শাগৎপগী পোলিসিনা ভোট কাগনি হায়দুনা চথুরকপা পোলিসিনা চীংমীশিংগী মরক্তা মীতৈবু ফত্তনা উহনবা অদুগা তমদনা অমুক চীংমীশিংবু ফত্তনা উহল্লে। য়েংথীনহল্লগা লোক সভা মীখলদা মখোয়না মায় পাক্কনিখনবা য়েক্নবা শেন্বা বি জে পিগী পোলিসি ইন্দিয়াদা চৎনররোই হায়খি।

এ আই টি সী, মণিপুর য়ুনিটকী কনভিনর টি ঐচ ইনাওচানা হায়, চহী অমা চূপ্পা থোরক্লিবা হাৎনা শুনবগী ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্নসু মণিপুর লৈঙাক্নসু শিন্দে। মসিগী মহুত্তা এ আর অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্স ময়াম থাজিল্লগা অমদা অমুক, অমদা অমুক তোংশিল্লগা মখোয়গী নোংমৈ মরূ অমা ফাওবা শীজিন্নদনা মণিপুর অসি অদুমক লোইশিনখিনবগী অরোনবা এজেন্দা মীয়াম্না উনরে হায়খি।

চহী ১ মৈৱাইরক্লবা মণিপুরগী ...

লমায় ১গী মখা... হায়বগী পাউজেল পুরকপনি। খোঙচৎ লমথারক্লিবা মফম অদুসু লান অসিগী রেদ জোন অমনি। হৌখিবা থা ১২ অসিদা মণিপুরগী মীয়াম অৱাবা কয়া মায়োক্নরক্লি। কুকি-জৌ নার্কো টেররিষ্টশিংগী লান্দাদা থৱায় কয়া মাঙহনখ্রে, কয়া অমনা লঞ্জেন্নরি। ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্নসু লান অসি লেপহন্নবগী মমি অমত্তা উবা ফংদ্রে। পূম্নমকসিদা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ঐখোয় তরেৎনা নুপী ওইবীগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা লৈতেং (শম) কোকথোক্তুনা মীয়ামগী অৱাবদা শরুক য়াদুনা ঈং-তপ্পগী পাউজেল পুদুনা লাকচবনি। লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীয়ু অমসুং রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরিবা মীওইশিং মশা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবীয়ু হায়খি।

মখোয় তরেৎ কংলাদগী অমুক হন্না অৱাং সেকমাই ফাওবা মখোয়বু শৌগৎপা য়াল্লবা মীয়ামগা লোয়ননা হন্দুনা চৎখি।

অমরোমদা, কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথুরকখিবা তমথীরবা লান ঙসি চহী অমা মপূং ফারকপগী থৌরম মণিপুরগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লখিবগী মনুংদা পি ৱাই এ এল, থৌগৈ পাঙ্গৈ য়াংদোং, পি ৱাই ৱাই দি এ অমসুং মৈরা পায়বী (দল্লিয়ু দল্লিয়ু এ), পাঙ্গৈনা শীন্দুনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা মায়কৈ কয়াদগী লাকখিবা মীওইশিংনসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরিবা কুকি এম এল এ ১০গী চন্দনা শাবা মীতম মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লান অসিগী মনুংদা লৈখিদ্রবা লৈকায় অসিদগী হাওবিজম সোমেনকুমার অমদি ওক্রম সনাতোনগা লোয়ননা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্নবা হোৎনবদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবা ৱাঙাঙলোইশিংনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা লান অসিদা চীংদনা লো অমা তমদনা লো অমা লৈবগী মওং মাল্লিবসি পেন্দে অমসুং নুংঙাইতে হায়খি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসন, পাঙ্গৈগী সেক্রেটরি ৱাংখৈময়ূম আশানা হায়, তুংগী য়ূন্বী ওইগদৌরিবা হৌগৎলক্লিবা নহা কয়ানা মশাগী মথৌ কাউথোক্লগা মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা মরৈবাক ঙাক্লিবা ইচাশিং অসিগী তুংগী মরাইবক কদোমদনো হংলদুনা অথুবা মতমদা লান অসি লোইশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা হোৎনবীয়ু হায়খি।

‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.984775
US Dollar	83.384772
British Pound	105.094962
Australian Dollar	55.285554
Chinese Yuan Renminbi	11.515462
Japanese Yen	0.547359
Malaysian Ringgit	17.591998
Singapore Dollar	61.887221
South Korean Won	0.061740
Saudi Arabian Riyal	22.235939
Thai Baht	2.274186

GAS NEWS

M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking order please contact
Call Timing: 8am To 11am
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi.
Imphal East. Singjamei. 9362663937
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING
8787530107 / 9863654574 / 9774213728 / 9089519886.
Tiddim line 87946 84988
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA / 8258856407 / 9862239855
KONTHOUJAM A/c 9863201839,
LAMSHANG A/C - 9612493837
Imphal LPG service
(Home Delivery only)
Booking - 16/04/24 to 17/04/24
Office Contact No.9362654114.
Time 8:30 am to 12:30 pm.
Available 19kg,10kg and 5kg.
URIPOK, LAMSHANG Delivery Boy- Guna Ph.no: 6009936192
KEISHAMTHONG, SINGJAMEI Delivery Boy- Aboy Ph.no: 8414050561
KWAKEITHEL, MALOM Delivery Boy- Chittaranjan ph.no-8575769887
KEISHAMPAT Delivery Boy- Anand ph.no:9089364355
NAGAMAPAL, THANGMEIBAND, CHINGMEIRONG Delivery Boy-Sagar ph.no:8798303493
WANGKHEI, KHURAI, SAMUROU Delivery Boy-Bringkingson ph.no:7629857123
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK, TERA, PATSOI Delivery! Boy-Somorjit ph.no:7005316328
WAHENGBAM LEIKAI, SALAM LEIKAI Delivery Boy-Jiten ph.no:9856506500

এন এম সীনা মেদিকেল তল্লিবা মহৈরোয়শিংনা...

লমায় ১গী মখা... ফংলবদি অয়াবা পীরম্বনি। অদুগা লৈবাক অসিগী মেদিকেল কোলেজ/ইন্সটিট্যুসনশিংদসু মেদিকেল মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী মহৈশঙশিং হোংদোক হোংজিন তৌবগী অয়াবা চাদা ৫গী সিট ফাওবা পীরম্বনি। অদুম ওইনমক ক্লিনিকেল কোর্সশিংগী ওইনদি মহৈশঙ হোংদোক হোংজিন তৌবদা অথিংবা পীরকখিবনি।

অদুম ওইনমক এজেন্সীগী পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা, নেসনল মেদিকেল কাউন্সিলনা খ্বাইদগী থেংনা শেমদোরকপা মেদিকেল মহৈরোয়শিংগী মহৈশঙ হোংদোক হোংজিনগা মরী লৈনবা অনৌবা রুলগী মতুংইন্না মমাঙথক্তা অয়াবা পীরল্লবসু হৌজিক্তি কন্দিসন অমত্তদা মেদিকেল মহৈরোয় অমনা মহাক্লা তমগদবা মহৈশঙ হোংদোক হোংজিন তৌবা য়াররোই হায়রি।

মরম অসিনা অতোপ্পা মেদিকেল কোলেজ/ইন্সটিট্যুসনদা হোংনবগীদমক মেদিকেলগী মহৈরোয় অমত্তনা হায়জরকপসু য়াররোই হায়রি।

এন এম সীগী অনৌবা রুল অসিদা মেদিকেল তল্লিবা মহৈরোয় খরদি মখোয়গী পেরেন্টশিংগা লোয়ননা নীংবা কায়নরে। মরমদি মেদিকেলগী মহৈরোয় অমনা কোর্স অসিবু তম্বা হৌগৎলক্লবা মতুংদা অতোপ্পা হেন্না খুদোং চাগদবা মহৈশঙদা হোংবা য়াবগী সিট ফংলবসু হোংবা য়াররোই হায়রি।

ওইরক্লিবা অহোংবা অসিদা লৈবাক অসিগী দিরেক্টোরেট ওফ মেদিকেল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টর বি এল সুজাথা রাথোড়না ফোঙদোকখিবদা মেদিকেল মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী মহৈশঙশিং হোংদোক হোংজিন তৌবগী থবক এন এম সীনা গ্রেজুএট মেদিকেল এদ্যুকেসন রিগুলেসন্স ২০২৩গী মতুংইন্না পুমথিংথিংজিনখ্রে হায়খি।

এন এম সীগী থৌওং অসিদা মেদিকেল মহৈরোয় খরগী পেরেন্টশিংনা মখোয়গী অঙাংশিংগীদমক মহৈশঙ হোংদোক হোংজিন তৌবগী খুদোংচাবা পীবিনবা ষ্টেট মেদিকেল দিরেক্টোরেটতা হায়জরকখি। অদুবু এন এম সীগী মায়কৈদগীদি করিগুম্বা মরম অমত্তদা হায়জরল্লিবা ৱাফম অসি খন্নবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরক্লে হায়রি।

মরম অসিনা কনাগুম্বা মেদিকেল মহৈরোয় অমনা কোর্স অসিবু মহৈশঙ অমদা তম্বা হৌরবা অমসুং ইটর্নসিপ ফাওবা চথরবদি মহাক্কী কোর্স অদু মপূং ফানা লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা মহৈশঙ অদুদা লেঙদনা তমগদবনি হায়রি।

নিংথৌখোংদা য়েলহৌমী মীকপ...

লমায় ১গী মখা... লাউরদুনা কেম্প অসিগী কম্মিটি মেম্বরশিংগা শিনমিন্নদুনা য়েলহৌমী মীকপ থোকপা নুমিৎ হায়না মিংথোন্দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা চহী অমা ফারবা ফাওবা য়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমহন্দ্রিবা, লান লেপহনবা ঙমদবা অমদি মাঙখিবা লন-থুম হঞ্জিলহনবা ঙমদবা অসি লৈঙাক্কী মপী মপা ওইরিবশিংগী অশোনবা মমি শেংলকপনি হায়না লৌই। অসুম্না কয়াম কুইনা রিলিফ কেম্পতা মফম মরাং খঙদনা থম্বীগদৌরিবনো হায়বা খোল্লাওশিং লাউখি।

থৌবাল অমসুং ককচীংগী ...

লমায় ১গী মখা... লৈকায় লৈকায়গী মীয়াম্না কেন্দল থান্দুনা লৈখিদ্রবা মীতৈ অথৌবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে অমসুং কাঙলূপকী লান অসিগীদমক অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল ৱাংমা তাবা সোরোক মখাগী ওইনসু নেসনল হায়ৱেদা থৌবাল ৱাংমা তাবা সোরোক মখাগী মৈরা পায়বীশিংনা কেন্দল থান্দুনা সোলিদরিদেগী থৌরম পাঙথোকখি। অমরোমদা টাকদালনা লাংসাই থৌনা, ককচীংগা খূৎশম্নদুনা থৌরম অসিমক ককচীং লমখাই য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈরা কৎতুনা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

এম য়ুগী মহৈরোয়শিংনা মণিপুর ...

লমায় ১গী মখা... মহৈকোল অসিগী কেম্পসতগী ম্যেন গেট ফাওবা পিছ সোলিদরিটি রেল্লি অমা চৎখ্রে।

খোঙজং অসিগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট/ক্যেরটেকর থোকচোম সোনামনিনা হায়, ঙসিগী রেল্লি অসি হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকখিবা অদু নীংশিংদুনা কেন্দল থানবনি। লান অসি ঙসি চহী অমা মপূং ফারবা ফাওবদা লৈঙাক্লা সোল্যুসন অমত্তা পুরক্তবা অমদি য়ূম মৈ চাকখিবদা নত্তনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিখিবা অমদি মীওই ৩০ হেন্না মফম খঙদনা লৈরিবা অসিদা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা করিগুম্বা সোল্যুসন অমত্তা পীদ্রিবা অসিগুম্না কয়াম কুইনা লৈগদৌরিবনো হংখি।

ফীভম অসিনা লমদমসিগী মহৈরোয়শিংদসু চৈথেং কয়া অমা পীরি অমদি তুংগী পূন্সিগী লন্বী মাঙশিল্লকপগুম ফাওহল্লে। খ্বাইদগী নুংঙাইতবদি য়ূম কৈ তুম্না মৈ থাবীখ্রবা অমসুং মণিপুরগী অরুবা লাইশঙ কয়া মৈ থাদোকখিবগী ফীভম অসিগী মতাংদনা করি তৌগদৌরি হংখি।

রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরিবা য়েলহৌমী কয়া অসি মপূন্সি চূপ্পা রিলিফ কেম্পতা লৈহনগদৌরিব্রা হায়বসিসু লৈঙাক্তা হংনীংবা মহৈরোয়শিংগী ৱাহং ওইরি হায়খি।

থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা মীহাৎপগী কেস ৩১ চহী ১০দগীনা...

লমায় ১গী মখা... ষ্টেটস রিপোর্ট থা অসিগী ৭ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্নবা দিরেক্সন পীখিবনি।

কম্মিসননা ঙসি পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না থৌবাল পি এসনা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক্তা নমশিন্দুনা থল্লল্লে হায়খিবা মর্দর কেসশিংনা এফ আই আর নম্বর ৭৬ (৪) ১৯৯৩ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ১১৪ (৭) ১৯৯৩ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ১৬৪ (৯) ১৯৯৪ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ৪৩ (৬) ১৯৯৫ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ২৮ (৩) ১৯৯৭ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী এন্দ ২৭ আর্মস এক্ট, ৩ (১) ১৯৯৭ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ৮৫ (৬) ২০০০ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ৫ (১) ২০০৩ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ২০ (২) ২০০৪ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী এন্দ ২৫ (১-সী) আর্মস এক্ট, ৩৭ (৩) ২০০৪ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ৫৪ (৪) ২০০৪ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ১৮ (২) ২০০৫ অন্দর সেক্সন ৪৪৭/৩৪ আই পি সী, ১১০ (৬) ২০০৫ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ১১ (১) ২০০৬ অন্দর সেক্সন ১৪৮/১৮৯/৩০২ আই পি সী, ১১৬ (৮) ২০০৬ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ৯৪ (৫) ২০০৭ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ১৫০ (৯) ২০০৭ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ১৭৪ (৬) ২০০৮ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ১৭৮ (৭) ২০০৮ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ৭৬ (৪) ১৯৯৩ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ১৯ (২) ২০১০ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ৭৩ (৬) ২০১০ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ৯৬ (৭) ২০১০ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী এন্দ ২৫ (১-সী) আর্মস এক্ট, ৪৭ (২) ২০১২ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ৫১ (৩) ২০১৩ অন্দর সেক্সন ৩০২ আই পি সী, ২৯৯ (৯) ২০১৪ অন্দর সেক্সন ৩০২/১২০-বি/৩৪ আই পি সী, ৩২২ (১০) ২০১৪ অন্দর সেক্সন ১৪৭/১৪৮/৩০২/৩৪ আই পি সী, ১৪ (১) ২০১৫ অন্দর সেক্সন ৩২৬/৩০২/৩৪ আই পি সী, ২৭ (১১) ২০১৫ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ২৭ (৩) ২০১৬ অন্দর সেক্সন ৩০২/৩৪ আই পি সী, ১০৫ (৮) অন্দর সেক্সন ২২৬/৪৩৫/৪২৭/৩৪/৩০২ আই পি সীনি হায়রি।

কোর্টনা ঙসি পীখিবা ওর্দর অসিমক রেজিষ্ট্রিনা মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (হোম), দি জি পিদা হয়েংমক য়ৌহনখিনবা দিরেক্সন পীখিবগা লোয়ননা দি আই জি রেঞ্জ ২, থৌবালগী এস পি অমসুং থৌবাল পি এসকী ও সীদসু ওর্দর অসি ফংবগা খুদক্তা থবক্তা ওন্থোক্নবা পাউতাকসু পীখি।

অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা ইন্টরিম বেল...

লমায় ১গী মখা... খঙহনখিবনি।

কোর্টনা মেট্টর অসি খন্নরকপদা হৌজিক পাঙথোল্লিবা লোক সভা মীখল অসিনা মরম ওইরদুনা কেজ্রিৱালদা ইন্টরিম বেল পীবগী হিয়ারিং কোর্টনা পাঙথোল্লগনি হায়খি। মরম অসিনা জষ্টিস অনীগী বেঞ্চ অসিনা ঈ দিগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল সোলিসিটর জেনরেল এস ভি রাজুগী খূথাংদা হিয়ারিং অসিগীদমক লৈবাকপোকপা নুমিৎতা খন্নরকপদা মথৌ তাবা পাউখুমশিং পীনবগীদমক ঈ দিনা শেম শারো হায়খি।

কোর্টকী মায়কৈদগী কেজ্রিৱালদা ইন্টরিম বেল পীননবা খন্নগদৌরিবা অসি চথুরিবা লোক সভা মীখল অসি খক্তা নত্তনা মহাক্লা পায়রিবা চীফ মিনিষ্টরগী ফম অসিনসু খন্ননবগী মরম অমা ওইহল্লে হায়খি।

মরম অসিনা নুমিৎ অসিদা কোর্টকী মায়কৈদগী থল্লকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীননবা ঈ দিনা শেম শাগদবনি হায়খি।

কোর্টকী দিরেক্সন তারবা মতুংদা এদিসনেল সোলিসিটর জেনরেল এস ভি রাজুনা কোর্টতা সবমিসন তৌখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা কেজ্রিৱালদা কোর্টকী মায়কৈদগী রিলিফ অমত্তা পীহন্নীংদবগী ৱাফম ফোঙদোকপগা লোয়ননা কেজ্রিৱালনা ইন্টরিম বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবা মহাক্কী পিটিসনদা য়াওবা মরমশিংগী মনুংদা মহাকপু ইলেক্সনগী হেক মমাঙদা ফাজিনখিবা ৱাফম য়াওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসিগী মথক্তা কেজ্রিৱালগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবদা মহাকপু কেস অসিদগী বেল পীবিয়ু হায়জরকখিবা লৈত্রি হায়খি। ৱাফম অসি তারবা মতুংদা কোর্টকী মায়কৈদগী কেজ্রিৱালদা ইন্টরিম বেল পীবা য়াই, পীদবা য়াই অদুবু মাঙজৌননা করিগুম্বা অমত্তা শাগৎলুখিনু হায়বগা লোয়ননা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতদি কেজ্রিৱালগী মায়কৈদগী সিনিয়র কাউন্সেল এ এম সিংহভিনা ফাইল তৌরক্লিবা মেট্টর অসিগী ফুল হিয়ারিং পাঙথোল্লগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ থাগী ৩০দা কোর্ট অসিনা ঈ দিদা করিগীদমক্তা কেজ্রিৱালবু পাঙথোল্লিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিগী মাঙওইননা ফাজিল্লিবনো হায়বগী মরম কোর্টতা শন্দোক্লা তাক্লবা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

মণিপুরগী লান চহী ১ ফারক্লবসু মোদিনা তূমিন্না লৈশিল্লি হায়না...

লমায় ১গী মখা... লৌরিবা থৌদাংশিংবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসিনা বি জে পি লৈঙাক্তা থাজনীংঙাই ওইদ্রে হায়রদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মরাল শীখি।

মালিক অর্জুন খর্গেনা মহাক্কী সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম ‘এক্স’ তা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিংগী মনুংদা হৌজিক নরেন্দ্র মোদি অসি মণিপুরদা থোক্লিবা ভাইওলেন্সশিং অসিনা করিগুম্বা অরানবা অমা তৌরুবগী নীংঙমদবা অমসুং থৌজাল নৎত্রগা নুংঙাইবা পোক্তবা লুচিংবা অমা ওইরে। তশেংনমক মণিপুরদা ‘মীওইবগী মীনুংশি’ (হ্যুমেনিটি) হায়বদুমকসু লৈত্রে হায়রদুনা বি জে পিগী ষ্টেট লৈঙাক্লা মণিপুরবু খাইবোক তাহল্লে হায়খি।

মণিপুরগী মীয়ামগী পূন্সিবু খুদোংথিহল্লে হায়নসু বি জে পিদা ওনশিন্দুনা মরাল শীরদুনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক্তা চাওখৎপা পুরক্লে হায়জরগসু রিজন অসিদা মীনুংশিগী ৱাফম লৈরক্ত্রবসু ইকায়দ্রে। মীওই ২২০ হেনবগী পূন্সি মাঙখিবগা লোয়ননা মীওই লিশীং ৬০ লোম ময়ূম মকৈ লৈহন্দ্রে অদুগা মীওই লিশীং কয়ানা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌহল্লে হায়খি।

মরমশিং অসিনা ঙসিদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মশীং থিঙমদ্রবা পূন্সিশিং মাঙহনখিবা অমসুং মণিপুর থুগাইবগীদমক মোদি লৈঙাক্লা মীনুংশি পোক্ত্রে হায়বসি খঙলে হায়খি।

অমরোমদা, মমাঙ থাগী ১৯দগী হৌরদুনা পাঙথোরল্লিবা ১৮শুবা লৈবাক অসিগী লোক সভা মীখলগী এপ্রিল ২৬ ফাওবদা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনখ্রবা মতুংদা কেরলাগী ৱায়ানর দিষ্ট্রিক্টতগী কারক্তুনা লোক সভাগী সিট্টিং এম পিসু ওইরিবা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদসু মীরেপ ওইবগী মথক্তা উত্তর প্রদেশকী রাই বরেলিদগীসু মীরেপ ওইরগনি হায়না মহাক্কী নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে।

রাই বরেলি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অসি হন্দক সোনিয়া গান্ধীনা রাজ্য সভাগী মেম্বর অমা ওইখিবদগী হাঙদুনা লৈরকখিবনি। নাকল অমরোমদা বি জে পিগী মায়কৈদগীদি রাহুল গান্ধীনা রাই বরেলিদা মীরেপ ওইরবসু পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা মহাক মায়থীগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুগা অনৌবা অহোংবা অমদা রাহুল গান্ধীগী নক্নবা মীওই ওইরম্বা কিশোরিলাল শর্ম্মনা উত্তর প্রদেশকী অমেথিদগী মীরেপ ওইরগনি হায়রি।

ষ্টেট অসিগী রাই বরেলি অমসুং অমেথি হায়রিবা সিট অনীমক মতম কয়াগী মমাঙদগী গান্ধী ফেমিলিগী ওইদুনা লাকখিবনি। অদুগা কন্সটিট্যুএন্সি অনীসিগী মীখলনা থা অসিগী ২০দা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

অদুম ওইনমক রাহুল গান্ধীনা রাই বরেলিদগীসু মীরেপ ওইরগনি হায়না মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনখ্রবনা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা মহাক্লা কুমজা ২০১৯গী মীখলদা সোনিয়া গান্ধীবু মায়থীবা পীরমখিবা বি জে পিগী দিনেস প্রটাপ সিংহগা লম্বা তৌনরগনি।

অমেথি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদদি রাহুল গান্ধীগা খ্বাইদগী নক্নরিবা কিশোরিলাল শর্ম্মনা মীরেপ ওইরগনি। অদুবু অমেথি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা কুমজা ২০১৯গী মীখলদা রাহুল গান্ধীনা বি জে পিগী স্মৃতি ইরানিগী মখূৎতা মায়থীখিবনি। অদুগা কেরলাগী ৱায়ানর কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা লোক সভাগী এম পি ওইখিবনি। অদুবু য়ু পিগী অমেথি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদগী হৌখিবা কুমজা ২০০৪, ২০০৯ অমসুং ২০১৪গী মীখলদদি থংন-থংননা অহুল্লক রাহুল গান্ধীনা মায় পাকখিবনি।

/ পাঞ্জি তম্বা
(Sunday খক তম্বা)
পাঞ্জিগী শিনফমদা থৱায় য়াওবীবশিংনা ১০০% মায় পাক্লবা Systematic Study দা পাঞ্জি তম্বা য়াওবীয়ু। Computer Software না কোষ্ঠি ইবা অমদি অফ-ফত্ত ফল য়েংবা য়াওগনি।
য়াওবা য়াবা মতম : তাং ০৫-০৫-২০২৪ ইং
Seat মশীং : ৫ (মঙা) (19th Batch)
(Acharya Ahambhijit Sairom)
Secretary, Astrological Coaching Centre
Uripok Yambem Leikai, Imphal (Lane 5), # 6909260636
HL-P/10634/4